হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, ফেব্রুৱারী ০৮, ২০২৩, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ৩০৬শুবা মশীং

# পোপি পান্থী য়ান্থৎপা চৎপদা শিবা ষ্টেট সিক্যুরিটি হোত্রোং হোরব্রা

মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর ফীভম মহৌশাগীদু নৎত্রে। য়াম্না অমসুং শীংথানীংঙাই ওইনা ফগৎলে হায়বসি লৈঙাকসিগী লুচিংবশিংনা হায়দুনা লাকই। য়াম্না তোয়না হায়রকপগী মথক্তা ফেব্রুৱারী ২, ২০২৩দা হৌদোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অহুমশুবা সেসন হৌদোক্লদুনা গভর্ণর লা গনেসননা পীখিবা মহাক্কী এদ্রেসতসু য়াম্না ময়েক শেংনা পন্দুনা হায়খি। মসি পূম্নমক ষ্টেটসিগী সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা হোৎনজবদগী ওইফম থোকই। ষ্টেটকী ভাইটেল ইন্সটোলেসন খরা ঙাক শেনবদা, লো এন্দ ওর্দর মেন্টিনেন্সতা অমসুং কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন (সী আই ওপস) তা মপান্দগী লাকপা ফোর্সশিংনা থৌদাং লৌবা অমসুং মতেং পাংশিল্লরবসু মপূং ওইবা থৌদাংদি ষ্টেট ফোর্সশিংগী হোৎনজমন্দগীনি হায়বদা চুমগনি। মরমদি থবকশিংসিদা ফোর্স মশেলগী মরক্তা কো-ওর্দিনেশন পীনরক্লিবা অসিদসু মণিপুরগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) না য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী লুচিংবা ওইরিবনি। হায়সু হায়বনি হৌজিক মণিপুর পুলিস ওর্গনাইজেসনগী ফিভম হান্নদগী য়াম্না ফগৎলবনি। পোষ্টেট ষ্ট্রেঙ্ককী মশীং শুবা ঙমদ্রবা ফাওবদা য়াম্না হেনগৎলবনি। খূৎশু-খূৎলায়দা, অতৈ ইক্বিপমেন্টতা অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা তশেংনমক মোদর্ন পুলিস হায়বদু চপ চানা ওইরক্লবনি। মসি পূম্নমক ষ্টেটসিগী চাওথোকচনীংঙাই ওইবদগী হেন্দোরক্তুনা মণিপুর মীয়ামগী ওইনা অফবা তাঙ্কক অমনি। মখা তানসু ফীভমসিদগী হেন্না ফগৎহনবা ঙম্বা ওইরকসনু। অদুবু ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফাওবা অসি য়ৌনা ফগৎহনবা ঙম্লবা ষ্টেট পুলিস ফোর্সকী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা অশোয়বা অমসুং অহোবা থৌদোক অমা থোকহল্লক্লিবা করিগীনো? লৈঙাক্লা থৌবু ওইদুনা চঙশিল্লকপা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেন্যনগী মনুং চন্না পোপি পান্থীশিং য়ান্থৎপা চৎপদা শরুক য়াবা ভিলেজ দিফেন্স ফোর্স (ভি দি এফ) পর্সনেল অমা নাইতোম তাদুনা লমহাঙনহৌবদগী শিরপ্লে হায়বগী থৌদোকসিবু থোরকহনফম থোকপা থৌদোক্লা হায়বনি।

জন্যুৱারী ১৬, ২০২৩দা ষ্টেট ফোর্সনা লুচিংবা কম্বাইন্দ টিম্না চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চকপীকারোং সব দিভিজনগী মনুং চনবা ফাইসি খুলগী চীংমাইদা থারম্বা পোপি পান্থীশিং য়ান্থৎলুনবা চৎখিবনি। কম্বাইন্দ টিমসিদা ভি দি এফ পর্সনেল নিঙোম্বম প্রেমানন্দসু য়াওখিবনি। মফমদুদা নুমিৎ খরনি ফাওবা কেম্প তৌদুনা লৈরগা পোপি পান্থী য়ান্থৎপগী থবক্তু চত্থখিবনি। অদুগা থবক্তু লোইরদুনা থোরক্লবা মতুং জন্যুৱারী ২১, ২০২৩দা মহাক মফম খঙদনা মাঙলে হায়বগী রিপোর্ট তৌরক্লে হায়বনি। অদুগা ফেব্রুৱারী ২, ২০২৩দগী মহাক্কী খোঙ্গুল লীবা চৎলুবদা মহাক্কী অশিবা হকচাং ওইনা পুমথবা হৌরম্লগা ফংলে হায়বনি। থৌদোকসিমক্তি ষ্টেট ফোর্সকী কম্মান্দ এন্দ কন্ট্রোলগা মরী লৈনবা থবক্তা অচৌবা লাপসেস লৈরে, হোত্রোং হোরে হায়বনি। ষ্টেট শিনবা থুংনা লো এন্দ ওর্দর ফাওবা নীংথিজনা মেন্টেন তৌবা ঙম্লক্লবা ফোর্সসিদা অসুক চাওনা অহোবা লৈফম থোকপ্রা? থৌওংসিদি ষ্টেট ফোর্সশিং তম্পাক্তদা থৌনা ফৈ, চীং য়ৌবা য়াদে হায়নরক্লিবসি অদুম্মক চুমদুনা লৈখিগদৌরিব্রা? মসিনা চুম্লগদি চীং য়ৌরগা হেক-হেক ৱাখল তাদনা মাঙবগী ফীভমসি অদুম্মক লোয়নদুনা লৈরগদি মতুং তারকপদদি কম্মাইনা তৌনি। পোপি পান্থী য়ান্থৎপা চৎপদা ফাওবা শরুক য়াবা পর্সনেল খুরক্তগী নান্থরগা মাঙহৌবা অদুগা লৈবাক ৱাথোক ওইরক্লবা মতমদনা খোঙ্গুল লীরুরগা শিনা ফংবগী থৌদোকসিদি থোরকহনফম থোক্তবা থৌদোকনি। খূৎলায় পায়বা মশীং য়াম্লবা মীওইশিংগা হকথেংনবা লানফমগা ওইরবদি লান্দুদা য়েক্লবগী মখূৎতা থৱায় থাদ্রবসু শমজি খায়নদুনা চেন্নখিদুনা লোইনমক লমহাংনবা, খোঙ্গুল লিরুবদনা অশিবা হকচাং খুনবগী ফীভমদা লাক্কদৌরিব্রা হায়বনি। সিনিয়র আই পি এস অমসুং এম পি এস ওফিসরশিংনা লুচিংলিবা লোয়শঙনবু অসিগুম্বা থৌদোক থোকহনবা চুমদ্রে। মফম খঙদনা মাঙখ্রে, লংলা-লংজিন খঙবা ঙমদ্রে হায়রবা ফাওবদা প্রপ-প্রপ খোঙ্গুল লিখিদ্রিবনা করিগীনো? অহোবা অমসুং অশোয়বা পীক-থন্না লৈরে। মরম অসিনা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেন্যনসি ফৈজে চিংথোক্লবা থৌওইনা হোৎনবা য়াওরব্রা হায়বগী ৱাহং ফাওবা চোংথোরকই। ইল্লিগেল দ্রগশিংগী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লিবা লানসি মায় পাক্তুনা পজেং ফিরাল থেৎপা ঙমদ্রিবনিনা থৌদোকসি তরাই-তরাইনা লৌবা চুমলোই। চেন্নবা, মরাল লৈবশিংদা থৌদোকসিগী তেকচাক পূম্নমক নমশিল্লু। চৈরাক পীবা য়ারবা ওফিসলশিং লেম্না থাগনু।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৯

১) **“নাউহোং”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“য়ুখল”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৩) **“মীতৈ লোনগৈদা লোনয়ান”** কৌবা লাইরিক অসি মপান মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমনা খোমজিন্দুনা পুথোরকপনি। খোমজিন্দুনা পুথোরক্লিবা অসি কনানো?

৪) **“চীংয়াদা তময়াদা হৈকোলদা লৈকোলদা/ঈশিং চাইবীনা মরৈ হা-হা তম্বদা/লোক্লুংগী ঈফুৎ মচানা ত্রোং-ত্রোং লাউনা চেনবদা/শংবান্নবা অতিয়াদা উচেক্লা পাইবদা/অহিংদা চীংজাউনা তুমিন তুমিন্না লেপ্পদা/মেঙলবা মেরাগী থাবলদা/শুমহৎচরবসু মহৌশাগী ফজবদা/ইনিংলুদে শৈথাদুনা শৈরেং/অদুনা থি ঐনা অনৌ-অনৌবা মখল।”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **“হৈদি”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপা লাইরিকনো অমদি মসিগী ওরিজিনেল অইবদু মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হেন্না কনগদবা লম্বী অমসুং সহরশিং শেমগৎপা য়ারগদবা অনৌবা স্মার্ট সিমেন্ট

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

বিলাটিমাতি হায়বসি ঙসিদগী চহী ২০০০ রোমগী মমাঙদগী গ্রীস অমসুং রোমদা শীজিন্নবা হৌরক্লে। মতমদুদা শীজিন্নরম্বা বিলাতিমাতিবু *হায়দ্রোলিক সিমেন্ট* হায়রগা খঙনৈ। মসিগী মতুং তারকপদা, ইংলেন্দগী প্লিমথতা *এদিস্তন লাইতহাওস* শানবগীদমক, কুমজা ১৭৫৬তা জোন স্মিতননা *পোর্টলেন্দ সিমেন্ট* পুথোরকখি। কুমজা ১৮০০গী মতমদা ইংলেন্দ অমসুং ফ্রান্সতা, ক্লেয়ি লাইমষ্টোনগী নোদ্যুলশিংবু মৈ থারগা ফংবা সিমেন্ট মখল অমা শীজিন্নবা হৌখি। সিমেন্টকী খোঙচৎ অসিনা অসুম চৎলকপসিনা, হৌজিক ফাওবদা মখল মখা কয়াগী সিমেন্টশিং শীজিন্নরক্লি। অনৌবা সিমেন্ট মখল কয়াসু লেপ্তুনা পুথোরক্লি। অসুম্না নোর্থৱেষ্টর্ন য়ুনিভর্সিটিগী থিজিন-লূপ অমনসু হেন্না ফরবা, মপুন্সিসু হেন্না শাংবা সিমেন্ট মখল অমা পুথোকপা ঙম্লে হায়না *“ফিলোসোফিকেল ত্রাঞ্জেক্সন ওফ দ রোয়ল সোসাইটি এ”* (জুন ২১, ২০২১) না পাউদম্লক্লি।


মহৌশাগী শাফুনা অনৌবা পোৎশিংনা শেম-শারিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংবু মাঙ-তাকহল্লি। খুদম ওইনা, চহী খুদিংগী আইস অমসুং স্নোশিংনা চাউর-চাউরবা লম্বী কয়াবু কায়হল্লি; য়ূমশিংগী য়ূম্ফমবুসু চেকখাইহল্লি। অদুগুম্বা অকাই-অতোইশিংদুনা অমোৎ-অকাইগী তন কয়ামুক পুথোকপদা নত্তনা চহী অমদা অদুগুম্বা লম্বীশিংগী অকাই-অতোইশিংবু শেমজিন্নবগীদমক য়ু এস খক্তনা দোল্লর ২৪,০০০ চাদিং তৌই। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিংসি মায়োক্লবগীদমক, এঞ্জিনিয়রশিংনা কার্বনগী চাং হেনগৎহন্দুনা পোৎশিংদুগী মগুনশিংবু হেনগৎহনবা ঙম্বা স্মার্ট ওইরবা পোৎশিং পুথোরক্লি, অদুবু অসুম্না তৌবসিদা পোৎশিংদুগী মেকানিকেলগী ওইবা মগুন্দা হন্থরকপা খরদি অদুমক লৈ। অদুনা হৌজিক শীজিন্নরিবা বিলাতিমাতিদা নানোপার্টিকলশিং হাপচিল্লগা, নোর্থৱেষ্টর্ন য়ুনিভর্সিটিগী থিজিন-লূপ অমনা হেন্না ফগৎলবা, মপুন্সিবু শাংহনবা অমসুং মথৌসু নিংথিজনা পাঙথোকপা ঙম্বা বিলাতিমাতি মখল অমা পুথোক্লে হায়রি।



Ange-Therese Akono অমসুং মহাক্কী বিলাতিমাতি

বিলাতিমাতি অসি মালেমদা খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নবা পোৎশক অমা ওইবনিনা, মসিদগী থাদোরকপা গ্রীনহাওস গ্যাসশিংসি মীওইবনা থাদোকহল্লকপা অপূনবা গ্রীনহাওস গ্যাসশিংগী চাদা ৮ ওই। মরম অসিনা, সিভিল এন্দ ইনভাইরনমেন্টল এঞ্জিনিয়রিংগী প্রোফেসর Ange-Therese Akono না পান্থে অমা থিরকপা ওইনা, নানোমেটরিএলশিং হাপচিল্লবা সিমেন্টসিদা মীৎয়েং থম্লকখি। মহাক্লা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, নানোমেটরিএলশিংনা সিমেন্ট কম্পোজিৎশিংগী কার্বন ফুটপ্রিন্টপু হন্থহল্লি, অদুবু হৌজিক ফাওবদা মসিনা অতেক-অকাইশিং থোকহনবগী চাংশিং হন্থবগী মতাংদদি ইখঙ খঙনরবা হায়বদি ওইদ্রি। অদুনা মখোয়না পুথোরক্লিবা অসি শিংথানিংঙাই ওই হায়রি।


হৌজিক শীজিন্নরিবা লম্বী-থোং অমসুং য়ূমশিংগী মনুংদা ময়ি চৎলকপনচিংবা টেষ্ট তৌবদা, মঙালগী বিম কয়ামুক অচৌ-অচৌবা পোৎশিংগী মনুংদা কাপশিনবগী মথৌ তাই; অদুনা অচৌবা খূৎলায়শিং শীজিন্নবগা লোয়ননা মতমসু য়াম্না মাঙই। Akono গী লেবনা, *“স্ক্রেটচ টেষ্টিং”* হায়না খঙনবা অনৌবা পান্থে অমা শীজিন্নরগা, অতেনবা মতমগী মনুংদা পোৎশিংগী মগুনশিংদু চুম্না লেপথোকপা ঙম্লন্মী। পান্থে অসিদা, শারৈ মওং মানবা পোৎ অমনা চপ যুংনা শাফু অমা বিলাতিমাতিগী য়াম্না কুপ্পা লৈমায়দা পীশিল্লি। মসিনা শীজিন্নরিবা পোৎশিংগী মগুনশিংদু চুম্না লেপথোকপা ঙম্লন্মী। পান্থে অসিদা, শারৈ মওং মানবা পোৎ অমনা চপ যুংনা শাফু অমা বিলাতিমাতিগী য়াম্না কুপ্পা লৈমায়দা পীশিল্লি। মসিনা শীজিন্নরিবা খূৎলায়শিংগী মশীং হন্থহনবগা লোয়ননা অনৌবা পোৎলমশিং শেমগৎহন্নবগী খুদোংচাবসু পী হায়না Akono না ফোঙদোক্লি।



নানোমেতরিএল য়াওরবা বিলাতিমাতিবু স্মার্ত স্ক্রেতচনা চাং য়েংবা

অসিগুম্বা পান্থে অসিনা মাইক্রোমিটর অমসুং নানোমিটর স্কেলশিংদা হকথেংননা শাফু পী, অদুনা মতম ইচং চংহন্দে। মসিদা য়ূম্ফম ওইরগা, পোৎশিংদুনা মতৌ করম্না পাউখুম পীরকপা, মখোয়না করম্না ময়ি চৎলকপা অমসুং মখোয়না ময়ি চৎলকপদুদগী ঙাকথোক্লবগী পান্থেসি পুথোকপা ঙমহল্লন্মী। স্ক্রেটচ টেষ্টশিংগী মতেংনা মাঙজৌননা লেপথোকপা ঙম্লক্লিবশিংসিনা এঞ্জিনিয়রশিংনা লার্জ স্কেলদা হেন্না মগুন লৈবা পোৎশিং শেমগৎলকপদসু মতেং পাংহনগনি। থিজিনখিবা অসিদা, স্মার্ট ওইবা পোৎশিং শেম্বদা পাম্না শীজিন্নরক্লিবা পোৎশক অমা ওইরিবা গ্রাফিন নানোপ্লেটলেটশিংবু অচম্বা বিলাতিমাতিনা ময়ি চৎলকপদা অথিংবা পীনবগীদমক শীজিন্নরম্মী। অচম্বা বিলাতিমাতিনা শাবা স্ত্রকচর অমদা রিএক্সন মপূং ফানা থোক্লবগীদমক ঈশিংনা স্ত্রকচর অদুগী মনুং ফাওনা চংখিবগী মথৌ তাই। অসুম্না রিএক্সন মপূং ফানা থোক্লবদি, কনবা অমসুং মপুন্সি শাংই। অদুবু অচম্বা বিলাতিমাতি শীজিন্নবা মতমদদি ঈশিংনা মনুংদা চঙখিবগী চাংসি নেম্মী, অদুনা চেৎপা ৱাৎলি। নৌনা থিজিনখিবা অসিদা, নানোমেটরিএল অসিগা পুনশিন্নবসিনা অপীকপা মখুলশিং অমসুং স্ত্রকচরশিংগী মনুং ফাওদুনা ঈশিংনা চঙখিবদা থিংবা ঙম্বগী চাংসি মথংশিৎনা চাদা ৭৬ অমসুং চাদা ৭৮দা হন্থরকই, হায়বদি ঈশিংনা স্ত্রকচরগী মনুং ফাওনা চঙখিবগী চাং য়াম্না হেল্লি।

কুমজা ২০৫০ ফাওবদা, য়ুনাইটেদ নেসন্সনা পাবগী মতুংইন্না, মালেমদা লৈরিবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অনীদি সহরশিংদা হিংখিগনি হায়বসিনি। অদুনা য়ূম-কৈ শাবা, লম্বী-থোং শেম্বা য়াওনা লম কয়াদা হেন্না ফগৎহনবগী য়াম্নমক মথৌ তারি। অর্বনাইজেসনগী থবকসিদা হেন্না মায় ওনশিন্নরকপগা লোয়ননা বিলাতিমাতি শুংবগী থবকসি অতিয়া পক্লা ৱাংলকপা য়ারিবনি। অদুনা অসিগুম্বা মখলগী বিলাতিমাতিশিং পুথোরকপা হায়বসিনা অপূনবা কার্বন ফুটপ্রিন্টকী চাংসু হন্থহনবা ঙমগনি।



(a) অচম্বা বিলাতিমাতি, (b) নানোমেতরিএলগী বিলাতিমাতিগী বেকস্কেতর্দ ইনভাইরনমেন্তল স্কেনিং ইলেক্ত্রোন মাইক্রোস্কোপি

অতোপ্পা অমরোমদনা, স্মার্ট ওইবা পোৎশিংসিনা সহরশিংদা হেনগৎলক্লিবা মীশিংনা পাউ ফাওনবা, উনবা, এনর্জি অমসুং অতোপ্পা থবকশিংগী দরকার ওইবশিংদু ফংহনবা ঙমগনি। Akono না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মহাক্কী লেবতা পাঙথোকখিবা চাংয়েংসিনা অতোপ্পশিংদসু ইথিল পীবা ঙম্লগনি। মহাক্লা হান্নদগী হৌনা পাঙথোক্কে খনখিবশিংগী মনুংদা, মখা তানা থিজিন্দুনা য়ূম-কৈ, লম্বী-থোংনচিংবশিং য়ারক্তবদগী থুগাইবদা ফংলকপা অমোৎ-অকাই ওইরবা পোৎশিংবু শীজিন্নদুনা অনৌবা কংক্রিট শেম্বা হায়বসিনি। Akono না থিজিনখিবা অসিগী মতাংদা রোয়ল সোসাইটিগী ওক্টোবরগী মীফমদা থিজিন-চেরোল অমসু পাঙথোক্লগনি হায়রি। ●

# লৈবাক অসিদা উকিলনা লৌরিবা থৌদাং, মহাক্কী ইকায়খুম্নফম - ২

- বি প্রেম শর্ম্মা -

কনাগুম্বা মীওই খরদগী ফংলকপা ফী খরদুসু লায়রবগী লৈবাক্কী ইস্যু কয়াদা উকিলদুনা পুথোক্তুনা লৈবাক্কী থৌগল তৌদুনা লাক্লি, তৌরি। খুদম ওইনা বন্দ, ব্লোকেদনা কল্লকপদা অচঙবা শেল মখৈ পুথোক্তুনা মণিপুরগী ওইনা ঐগী ওজানা ঐগী মতেং পাংদুনা মণিপুর হায় কোর্টতা কেস থাখি। চাকথুং ফিথুংদবগা মরী লৈননা লায়রবা কয়াগী ইশামকসু কেস কয়া থাখ্রে অদুগা মখোয়গী মহয় ফংহনবীখ্রে। মসি ঐনা উকিল ওইরমদ্রবা ঙম্লম্লোই। ঐনা মখোয়গী মতেং পাংবা, পোত্থানবা মতমদা পোত্থারবসু উকিলগী মতমসি ওন্থোক্লা মিনটিতা, সেকেন্দদা মরু ওইরম্মী। মরমসিনা উকিলনা মহাক্কী থবক চৎলিঙৈদা পুলিসনা ওবষ্ট্রক্সন পীবা, থৎতুনা মতম মাঙহন্দুনা অয়েৎপা পীবা য়াদে হায়রিবনি। মসি অচুম্বনি মিনট অনীখক চোন্থবদা হায় কোর্টতা চীফ জষ্টিসকীদা ঐগী কেস অমা নংদবদা কক্লম্মী। মসিনা তাকপদি মিনটতা সেকেন্দদা য়াম্না মরু ওইরম্মী। উকিলদা মিনট, সেকেন্দশিংদো নংবদা মীগী পুন্সি হিংবা, শিবা ফাওবগী য়াম্না নক্লবা মরী লৈনরম্মী। মসিদা লম্বীদা লাকপদা কনাগুম্বনা য়াম্না ব্যেবহার তৌদুনা অথুবগী খনবীদুনা উকিলগী মরু ওইবদু উদুনা লম্বী ফাওবা হেঙ্গৎনৈ। মসিগুম্বদগী বিকোন লাইট লৌথোকখিবগী ইস্যু লাকখ্রবনি।

তোঙান তোঙানবা দরখাষ্টকারি কয়াগী খা ৱাং নংনবা চেনবদা গাড়ী খেৎনবা, থেংজিন্নবা য়াওদবসু নতে। হন্দক্তা থোকখিবা (১২/০১/২০২৩) থৌদোক্তা নাগামপালদা উকিল নুপীমচা অমগী গাড়ীদা থেংজিল্লকপগী ৱাহৌদা নুপামচা অমগা ফজদবা ৱাহৈ খরা অৱাই অখুম তৌবদা উকিলগী ঈজৎ শোকপদগী কেস অমা থাঙ্গৎতুনা ইন্দিয়ন পেনাল কোদ (আই পি সী) গী সেক্সন ৩৫৪ Assult or Criminal force to woman with intend to outrage her modesty হায়বদি ফূবা চৈবা নৎত্রগা নুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙবগা মরী লৈননা অমদি অতৈ আই পি সীগী সেক্সন কয়া পাল্লদুনা এফ আই আর পানবদগী পুলিসনা ফাদুনা লোকঅপতা থম্লবা মতুং কোর্টতা পুথোকখি। কোর্টতা থৌদোক থোকপা নোংঙানবদা ঐহাকসু মণিপুর হায় কোর্টতা ফজরবা কেস অনীগী অর্গ্যুমেন্ট তৌগে হায়না চৎপদা খ্বাইদগী ৱাংবা ষ্টেট অসিগী কোর্টকী মপান্দা উকিল খুদিংমক কেস তৌরোই হায়না লেপ্পখি। উকিলগী ফিজোল শেত্তুনা লাক্লিবা মীওই অমদা হেন্না ফজদবা অকল অরিং শীংবা ৱাহৈ কয়া শীজিন্নদুনা অমদি থৌদোক্তুগী ভিদিও রেকোর্দিং অমা মণিপুরগী সোসল মীদিয়াদা থাদোরকপদগী উকিলগী প্রোফেসনেল ইথিক্সতা শোকপনসু ওইরম্বা য়াই মণিপুরগী কোর্ট খুদিংমক কেস তৌখিদে।

লৈঙাক্কী, লূপশিংগী, লায়রবশিংগী য়াইফনবা হোৎনরিবা উকিলশিংনা থবক লেপ্লকপদা অসুক্কী মতিক খম থেংনা মাঙজবা ওইখি। মরাল লৈরে হায়না পুথোরক্লিবা কোর্টতা উকিল কয়ানা থোমজিন্দুনা উকিলগী শিনফমদা শিংনরকপগী মায়োক্তা উকিলশিংনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। ৱায়েলশঙনা কুপ্না তারবা মতুংদা পব্লিক প্লেসতা ফজদবা ৱাহৈ শীজিন্নবা অদুগীদমক্তা নুমিৎ ১৫নিগী জুদিসল কষ্টদি পীখি। হায়বদি কোর্টনা শজিৱা জেলদা থাজিনখি।

মতাংসিদা ঐবু শেম্বীরকপা ওজানা উকিল শোকপা য়াদে হায়না ৱাখল চেৎনা থম্মী। অমুকসু নীংশিংবা অমনা মহাক্লা হায়খিবা ৱাহৈদা ঐনা য়ানীংদবা উকিলসি চঙবদা য়াম্না লায়বা শিনফম ওইনা খন্নবনি, চঙখ্রবা মতুংদা য়াম্না লুবা শিনফমনি হায়বা ৱাফমদুনি। অদুগা খ্বাইদগী ব্যেবহার তৌফম থোকপা শিনফমনি শিনি। অমুকসু উকিলগী শিনফম্মু চিংখৎনবা হোৎনগদবনি হায়বা ৱাফমসুনি।

ফিদম্নফম ওইবা শিনফম অসি মায় পাক্লবা উকিল অমনা সুপ্রিম কোর্টনচিংবদা লৈবাকসিগী অচৌবা ইস্যু কয়াদা মহাক্কী কলমনা লৈবাকসি লেং ওৎলি, নিকহল্লি, জজমেন্ট কয়া তাহন্দুনা লো ওন্থোক্লি। খাঙবা কন্দবদগী উকিল ওইবা শিনফমসিদগী শিনফম হোংখিদুনা শেনফম কয়া পায়রবা ফাওবদা জ্ঞান লৈবশিংনা ইকায়খুম্নরিবনি। লৈবাক খুদিংমক্কী লাইরিক লাইশু হৈরবা শক্লাইরবা কয়ানা উকিলগী শিনফম্মু কিনা ইকায়খুম্নবা উৎলি। অদুবু মী মখল য়াম্বনা জ্ঞান খরা ৱাৎপনা করিগুম্বদা উকিলদা, জজদা অকন অরিং শিংবা খরদি য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা কয়াসি উবদগী উকিলশিংগী অচৌবা ঙাক্লৌ ওইনবা এদভোকেটস প্রোটেক্সন বিল, ২০২১ পুখৎলকখি। বিল অসি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা বার কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা জুলাইগী তাং ২, ২০২১দা ইস্যু তৌবনি। মসিদা শক্লাইরবা মীওই ৭ না দ্রাফ্ট তৌখি। মসিদা উকিলশিং ফাওবা সিক্যুরিটি পীনবা থ্রেট লাক্লবদি হায়না য়াওরি। খুদিংমকসি উরুরবা খঙলবা জ্ঞান লৈরবা কয়ানা উকিলগী শিনফম্মু ইকায়খুম্নবা উৎপদুনা লৈবাক্কী জুদিসিয়ারি সিষ্টমদা মাঙ থানা চঙশিন্দুনা এদভোকেটস প্রোটেক্সন বিলনা মতেং ওইরসনু। অচুম্বনা জয় ওইবা শৈত্যমে জয়তেদা য়ূম্ফম ওইরগা উকিলশিংবু ইকায়খুম্নরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোংঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।